এ এম এম দি সীগা য়ানবা পুরকপদগী শো হাংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
ঈরৈচা ইন্দেন গ্রামিন অসিগী কঞ্জুমরশিংদা থা অহুমলোম গ্যাস পীদ্রে হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাকপদগী ওল মণিপুর মুসলিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী)না ওফিস অসি শো লোনশিনখিবা অদু এজেন্সী অসিগী মীওইশিং অমদি লুপকী থৌমীশিংগা য়াশিন্নবা পুরকপদগী শো হাংদোকখ্রে হায়না এ এম এম দি সীগী প্রসিদেন্ট পুসম সাহিদ অহমদনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা, এ এম এম দি সীগী প্রসিদেন্ট পুসম সাহিদ অহমদনা হায়খিবদা, লিলোং চিংখমদা লৈরিবা ঈরৈচা ইন্দেন গ্রামিন ভিত্রগী কঞ্জুমরশিংনা এজেন্সী অসিদা লৈরম্বা থাজদবা খূদিংমক থাদোক্তুনা মহৌশাগুম চাং নাইনা গ্যাস লৌবীরো। এজেন্সী অসিগী প্রোপ্রাইটর অমদি লুপকী মীওইশিংগা পূন্না ফমিন্নদুনা কঞ্জুমরশিংগী কমপ্লেন অমত্তা লৈহন্দনবা থবক তৌরগনি হায়বগী য়ানবা পুরকখ্রে।

ওফিস অসিগী ষ্টাফ খরা শীনে দাক শীঞ্জিন তৌবা মরম্না চাং নাইনা মীয়ামদা গ্যাস মতম চানা পীবা ঙমখিদ্রবসু হৌজিক্তি মহৌশাগুম্না ছুটি নুমিৎ নত্তনা নুংতিগী চাং নাইনা ওফিস হাংদোক্তুনা মথৌ তৌহনবা হায়নসু য়ানখি। মরম অসিনা এজেন্সী অসিগী লৈরিবা কঞ্জুমরশিং অমদি মীয়াম্না মহৌশাগুম্না কোওপরেসন পীদুনা মতীক চাবা এজেন্সী অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোরকখি।

অচম্বা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ঈরৈচা ইন্দেন গ্রামিন ভিত্র, লিলোং চিংখামগী প্রোপ্রাইটর এমদি ৱারিসনা ফোঙদোকখিবদা, ওফিস অসি হেন্না চাওখৎনবগীদমক এ এম এম দি সী অমদি মীয়াম্না হোৎনবীবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি। অসিগুম্না মখা তানসু করি করম তৌরগা এজেন্সী অসি হেন্না চাওখৎকনি হায়বগী সজেসন পীবিয়ু। এজেন্সী অসিগী মখাদা লৈরিবা মশিং য়াম্লবা কঞ্জুমরশিংগী ওইবা ৱাকৎ অমত্তা লাক্তনবা অঙম্বা লেভেলদা হোৎনগনি। মুসলিমশিংগী শেংলবা থা ওইরিবা চাকহেন থাগী মাঙওইননা ৱাৎহৌরিবা কঞ্জুমরশিংগী গ্যাস পীননবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

শো হাংদোকপগী অচম্বা থৌরম অদুদা এ এম এম দি সী হেদক্বার্টরগী জেনরেল সেক্রেটরি শৈখ অতাউদ্দিন, লুপ অসিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি এমদি নুরুল অমিন অমদি এজেন্সী অসিগী কঞ্জুমরশিংনা শরুক য়াখি।

ত্রিপুরা হায় কোর্টকী কুমওন থৌরমদা নত সঙ্কীর্ত্তন উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
ত্রিপুরা হায় কোর্ট লিংখৎখিবা চহী ৮ শুরকপগী মপোক কুমওন থৌরম অমা ঙরাং অগরতালা কেপিটেল কমপ্লেক্সতা লৈবা হায় কোর্ট অসিগী লোনদা পাঙথোকখ্রে। হায় কোর্টকী চহী নিপাল মপূং ফারকপগী অখন্নবা থৌরম অদুদা তিপুরাগী গভর্ণর রামেশ বৈশ্য, চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব, ত্রিপুরা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস অখিল কুরেসি, সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস জঞ্চয় কিশান কাউল অমসুং ত্রিপুরা লৈঙাক্কী লো মিনিষ্টর রতনলাল নাথনচিংবা শক্লাইরবা কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী অখন্নবা থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরমদা মৈতৈ নাৎকী পুং চোলোমগা লোয়ননা নত সঙ্কীর্ত্তনসু উৎখি। মদুদা পুংদা কোন্সম ধনঞ্জয় ক্ষেত্রিময়ূম প্রানজিৎ ঈশৈদা ৱাংখেম মধুমঙ্গল, এল দিপ্ত কাঞ্চন অমসুং মোইবুং খোংবদা সেঞ্জম পুলিননা শরুক য়াখি। মোইবুংগী শেংলবা মখোল মরক্তা য়ুনেস্কোনা শকখঙলবা মৈতৈ নাৎকী সঙ্কীর্ত্তনগী খূথেক শাথেক অমসুং পুং চোলোম ভাবোকশিংনা য়াম্না থাগৎনখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ভারত সংবিধাণগী অখন্নবা সেক্সন খরগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট এরিয়া এক্ট, ১৯৭১ এমেন্দমেন্ট তৌরগা মতম কুইনা গৌহাটি হায় কোর্টকী বেঞ্চ অমা ওইনা লৈরম্বা ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর মপূং ফাবা হায় কোর্ট লিংখৎখিবনি।

এস বিরেননা দিরেক্ট তৌবা অরিবা নৌনা খুন্থোকপা প্লে উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
ৱাঙ্গোইদা ৱাহেংবম ইরিগেসন ইন্টপ্রাইজেসনা স্পোন্সর তৌদুনা মার্চ ১৮দগী হৌদুনা পাঙথোরক্লিবা ফেষ্টিভেল ওফ বি কে ৱাহেংবমস প্লেজ ২০২১গী মরিনিশুবা নুমীৎতা মণিপুরি থিয়টর একাদেমি ৱাঙ্গোইগী গ্রুপনা শান্নবা অরিবা নৌনা খুন্থোকপা প্লে উৎখ্রে।

ঙসি উৎখিবা প্লে অসি শরুংবম বিরেননা দিরেক্ট তৌবনি। অরিবা নৌনা খুন্থোকপা হায়রিবা প্লে অসিগী ৱারী অসি হনুবা-হনুবী পান থাবগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবনি। দিরেক্টরনা প্লে অসিদা মীয়ামদা পীনিংবা পাউজেলদি ঙসিগী মতম অসি গ্লোবলাইজেসন ওইরবসু হান্নগী ঐখোয়-ঐখোয়গী লৈজরম্বা কলচর অদুগীদমক্তা চাওথোকচবা ফাওনরি। লোয়ননা ইপা-ইপু হাক্ততগী লৈজরক্লবা ফজরবা কলচর অমদি ট্রেদিসনশিং অসি মাঙখিদনবা য়োকখৎমিন্নবা চঙই হায়বসিনি। ঙসি উৎখিবা প্লে অদুদা মরুওইনা শক্তম লাংখিবশিং অদুদি ৱাই অশাকিরন, সীঐচ প্রেমজিৎ, এস মঙ্গোলজাও, লোংজম শরত, লোংজম খম্বা, শরুংবম শোভাচন্দ্র, চনম লিলাবতি, লৈশাংথেম সুনিতা, অশাংবম পিঙ্কি, লাইশ্রম সঞ্জিৎ, ওইনাম খোমদোন, শরুংবম মেধা অমদি শরুংবম ভিবিলিয়নচিংবনি।

প্লে অসিগী ম্যুজিক এল সঞ্জিৎ, লাইট এ মদন, ট্রান্সপোর্টেসন ও খোমদোন, সেট এন্দ প্রোপস এল শরত অমদি এল খম্বা, দ্রেস এন্দ কোষ্ট্যুম সীঐচ লিলাবতি অমদি এল সুনিতা অমদি স্ক্রিপনা বিকে ৱাহেংবনা ওইখি হায়রি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙবীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা মীওই কয়ানা তেংবাঙবীরক্লি হায়না হোম অসিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিদা, থাসিগী ১১দা লুকের ময়ায় লৈকায়দগী লাইরেঞ্জম ইবোয়াইমা সিংহনা মহাক্কী মচা-মমৌশিংগা লোয়ননা হোমদা লাক্তুনা অঙাংশিংগীদমক মীতৈ চেঙ বেগ ২, আলু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ১০, হৱাই কেজি ১০, টি-শর্ট ১২, পেন ৩০, রাইটিং বোর্দ ১২ পীরম্মী।

তাং ১২দনা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগী হেমচন্দ্র অসেমনা মাগী মচানুপী সুলেক্কী চহী ৬ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু অচা-অথক পীজবগা লোয়ননা চাক্লেনসু পীজরম্মী অমদি মখোয়গীদমক শেল ওইনসু লুপা ৪,০০০ পীরম্মী।

তাং ১৩দনা বামোন লৈকায়দগী ভিকাস লাইপুবমনা মাগী চহী ২৪ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক বিস্কুটনচিংবসু পীবিরম্মী।

তাং ১৪দা তেংবাংবীরকপশিংদি য়াইরিপোক পোইরৌখোঙজিন ময়ায় লৈকায়দগী কাঙবম বিনোইকুমার সিংহ অমদি থাংজম থোইথোইবা সিংহনা টি-শর্ট ২৬, বিস্ক্যুট; সগোলমাং লৈকায়দগী নাওরেম কোইবা মৈতৈনা মাগী ২৮শুবা চহীগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবগা লোয়ননা বিস্ক্যুট অমদি ষ্টেসনরি আইটেমশিং; খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়দগী লাইফ্রাকপম খোনিকুমার অমদি লাইফ্রাকপম ওংবী ৱাইখোম রোমিতানা মখোয়গী মচানুপী চেলসিআ লাইফ্রাকপমগী চহী ২ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু অচা-অথকশিং পীজবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক মীতৈ চেঙ বেগ ১, সুপর বেগ ১, আলু কেজি ২০, হৱাই কেজি ১৫, অচাথাও লিটর ৫, ঙারি কেজি ১, তিলহৌ, চনম, শীং, থুম, মোরোক, য়েরুম প্লেট ২, কোবি, খামেন অশিনবা, টি-শর্ট ২০, ষ্টেসনরি আইটেমশিংনি।

তাং ১৫দনা থাংমৈবন্দ কাব্রবম লৈকায়দগী সেভিয়রনা মাগী চহী ৩৬ শুরকপা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, আলু বেগ ১, য়েরুম প্লেট ২, হৱাই কেজি ১০, অচাথাও লিটর ৯ পীবিরম্মী।

তাং ১৮দনা শিংজমৈ চোংথাম লৈকায়দগী জেনিমসতা সর্জরিগী প্রোফেসর ওইবা দা: নিংঙোম্বম জিতেন্দ্র সিংহনা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রবা দা. নিঙোম্বম ইবোবী সিংহগী লৈখিদবা চহী ২২ শুরকপা নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ৩, আলু বেগ ১, তিলহৌ বেগ ১, শেল ওইনা লুপা ২,০০০সু পীবিরম্মী। থৌরমসিদা য়াওবীরকপা চোংথাম লৈকায়দগী অরিবম জোনিনসু লুপা ১,০০০ পীবিরম্মী।

মীয়ামগী মতেংখক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাংবীরক্লিবা পূম্নমক্কী মফমদা হোমগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

এব্রেয়ের্নেস প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
হেদক্বার্টর আই জি এ আর (সাওথ)কী মীৎয়েংখাদা অসাম রাইফলসকী শজিক বট্টালিয়ননা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী আই গেজাং খুঙ্গংদা ঙরাং এব্রেয়ের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ঈশিংদগী শন্দোকপা লায়নাশিংগী মতাংদা খুঞ্জাশিংবু ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। চহী খূদিংগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঈশিংদগী শন্দোকপা লায়নাশিংনা মীওই চা-কয়াগী পুন্সি মাঙহনবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা খুঞ্জাশিংবু ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথাকখিবনি।

বি জে পি ওইনাম মন্দলগী এগজিক্যুটিভ মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
মীহুৎ খনবদা অফবা মীয়ামগী থবক তৌগদবা খনবগী মতম ওইরে। ভোট ময়াদা ভোট লেপকনি হায়দুনা লাউরগা ভোট লোইরগা মশক উরোইদবা কেনি দদেটশিংদা ভোট পীরুবদগী মণিপুর ঙসি ফাওবা মাঙলোমদা চৎপা ঙমদবনি হায়না ওইনাম কেন্দ্রগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এম এল এ লাইশ্রম রাধাকিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্না বি জে পি ওইনাম মন্দলগী মহিলা মোর্চানা শীন্দুনা কেন্দ্র অসিগী ওর্গনাইজেসনল রিপোর্ট, সেন্টর অমদি ষ্টেটকী পোলিটিকেল এচিভমেন্ট অমদি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা অমদি তুংদা লাক্কদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী পান্দমদা কৈনৌ থোংখোঙ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা এগজিক্যুটিভ মীটিং অমদা হায়খিবনি।

রাধাকিশ্বরনা মখা তানা হায়খিবদা ঙসিদি মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসিনা ঙসিদি মান্নবা খুন্নাই, চাওখৎপা মণিপুর চীং-তম থোং মান্নবা সনা লৈবাক ওইবা ঙল্লে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এল রাধাকিশ্বর এম এল এ ওইনাম এ সী চেয়রমেন এম পি সী বি এন্দ কে ভি আই বি; এল সুনিতিবালা দেবী, প্রসিদেন্ট বি জে পি ওইনাম মহিলা মোর্চা; এন নিম্বস সিংহ ভাইস প্রসিদেন্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশ; আর কে বিমোলা দেবী, বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি; টিঐচ মঙ্গি সিংহ প্রসিদেন্ট বি জে পি ওইনাম মন্দল; এজি সোভনা দেবী প্রধান কেনৌ গ্রাম পঞ্চায়ত অমদি এ সর্দা দেবী ভাইস প্রসিদেন্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশ মহিলা মোর্চানা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দাইট অথুবদা শাবা হৌবীয়ু হায়দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ককচিং, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
ময়াং ইম্ফাল থানা মনিং খুন্নৌদা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ১৬তা মতম অদুগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর দা. কেঐচ রতনকুমারনা শানবা উরেপ উয়ুং তমখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ট্রেনিং (দাইট) অসি অথুবা মতমদা শাবা হৌবীয়ু হায়দুনা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু দাইট ইম্ফাল ৱেষ্ট কন্সট্রক্সন দিমান্দ কম্মিটিনা শীন্দুনা সেন্টর অসিবু শাগনি হায়না উরেপ উয়ুং তমখিবা ময়াং ইম্ফাল থানা মনিং খুন্নৌদা ময়াং ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বী কয়া য়াওদুনা চৎখিবনি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা কম্মিটিগী কনভেনর দিজেন্দ্রো মঙাংনা উরেপ উয়ুং তমখিবা চহী ৪ হেল্লবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দাইট সেন্টর অসিবু অথুবা মতমদা শানবা হোৎনবগী মহুত্তা সেন্টর অসি লমশাং কন্সটিট্যুএন্সিগী মফম অমদা শারগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা হন্দক্তা লমশাংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবা অসি কম্মিটি অসিনা য়ানীংদে। হীরম কয়াদা শোৎথদুনা লৈরিবা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীয়ামদা এদ্যুকেসনগী মঙাল পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা সেন্টর অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা হোংনবা হোৎনবীগনু। মদুগী মহুৎ লৈঙাক অসিগী হৌজিক লেমহৌরিবা চহী অমগী মতম অসিদা সেন্টর অসি হান্না উরেপ উয়ুং তমখিবা মফম অসিদা শাবা হৌবীয়ু হায়খি।

করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা ঙন্মী মতাগুম মফম অসিদা সেন্টর অসি অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক্লবা হোৎনরক্লবদি কম্মিটি অসিনা ময়াং ইম্ফাল মায়কৈদা লৈবা মীয়ামগা লোয়ননা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুগী মখা তারকপা ওইনা লৈঙাক্না অতোপ্পা মফমদা সেন্টর হোংনবা হোৎনরিবা অসি লেপ্পু অমদি ময়াং ইম্ফালদা দাইট সেন্টর অথুবা মতমদা শাবা হৌ হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

মপুরোইবা লৈখিদ্রবা অহল ওইরবী নুপীশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়-খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর চীং-তম ৱিমেন দিভলপমেন্ট অমদি সেকমাই এ সীগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্তদৌরিবা ফৈয়েং ময়াই লৈকায়দা লৈবা নিংথৌজম পোপিলালগা খুৎশম্নদুনা কদাংবন্দ পার্ট-২দা লৈবি মপুরোইবা লৈখিদ্রবা অহল ওইরিবী নুপীশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

কদাংবন্দগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা সেকমাই এ সীগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্তদৌরিবা নিংথৌজম পোপিলালনা ফোঙদোকখিবদা এ সী অমা চাওখৎপা অমদি নুংঙাইবা হায়বসি মফম অদুদা লৈরিবা মীওই খরদং নুংঙাই-য়াইফরগা নুংঙাইবা চিংলোই। পূম্নমক চাওখৎমিন্নরবা অমদি নুংঙাইমিন্নরবা মতমদা তশেংনা নুংঙাইবা হায়বদু ওইগনি। এ সী অমগী মীরেপ অমা হেক্তা ওইবা য়াই। করিগুম্বা মীরেপ অদুনা অফবা থবক অমা তৌরক্লগদি পূম্নমক্না থাগৎফম থোকই। অদুগা করিগুম্বা মীরেপ অদুনা মীয়ামগী থবক তৌরক্তগদি মীওই অদু ঐখোয়না অমুক হন্না থাগৎফম থোক্তে। মরম অদুনা তুংদা মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীরেপশিংদা ভোৎ থাদবনা মীয়ামগী অমদি খুন্নাইগী য়াইফবা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবি এ এম সী টি দল্লিয়ু দিগী প্রসিদেন্ট নুংলেপম কুঞ্জেশ্বরিনা হায়খি অহল ওইরবি মপুরোইবা লৈখিদ্রবি নুপীশিংগীদমক লৈঙাক্না থবক কয়া পায়খৎলবসু মরাইবক থীহৌরবী নুপী খুদিংদা ঙসিসু খুদোংচাবশিং অদু ফংদনা লৈবা কয়া য়াওরি। মরম অদুনা মীয়ামগী থবক তৌরক্কদবা মীরেপশিংদা ভোৎ থাদশি। মদুনা মমল য়াম্লবা ভোটকী রাইট অদু মফম চানা শীজিন্নবা হায়বদু ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসি থৌরম অদুদা মপুরোইবা লৈখিদ্রবি অহল ওইরবি নুপী ১০০ রোমদা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

ফ্রী হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ককচিং, মার্চ ২১ (ঐচএনএস):
নোংমগী ওইবা ফ্রী মেগা হেল্থ কেম্প অমা ঙসি বি জে পি সুগ্নু মন্দলনা শীন্দুনা ককচিং খুন্নৌ গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

লমজিংবা হোস্পিটাল অমসুং মেদিকেল রিসর্চ ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা মেদিসিন, স্কিন, আইজ, জেনরেল সর্জরি, গাইনিকোলোজি, সাইকিয়াত্রিক অমদি পেদিয়াত্রিক য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম্গী দোক্টর ১৫ রোম্না লায়েংখিবা কেম্প অদুদা ককচিং খুন্নৌগী খুঞ্জা ৫০০ হেনবনা মাগী মাগী অনাবশিং লায়েংনখি। লোয়ননা কেম্প অদুদা লায়েংবা অনাবশিংদসু লেম্না হীদাক-লাংথকশিংসু পীখি।

ঙসিগী কেম্প অদুগী মতাংদা লমজিংবা হোস্পিটালগী মেনেজিং দিরেক্টর টিঐচ ইবোমচানা, হৌজিক ষ্টেট অসিদা অঙ্গং-অশাগী চাং হোংলকপনা মীয়ামদা মখল কয়াগী অনাবা লাকপা অমদি কোভিদ-১৯গী চৈথেং মতুংদা খুঙ্গংগী লমশিংদা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসিগী য়েংলগা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা অসিগুম্বা মেগা কেম্প অসি মখা তানসু ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকখিগনি হায়খি।

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/6777/10/2-16/3 (alt)

SOCIAL SECURITY GUARD (SSG)
UNDER INSTITUTE OF SOCIAL WORKERS
Uripok Laikhurembi, Over Bridge Makhong, Imphal West-01
Regd. 228/M/SR/1991

Sl.No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1	Reception	03	Graduate with Computer Operator	Negotiation
2	Field Officer	07	XII pass and above having own vehicle	Negotiation
3	Security Supervisor	05	Ex-Serviceman	9k-21k
4	Security Guard	35	VIII & above	7.5k-18k
5	Gunman/ Arm Guard	10	VIII & above	10k-25k
6	Helper (Female) (Hold/Up-Down)	40	Nil	7k-21k
7	Cook/Chowkidar	10	VIII & above	7.3k-16k
8	Driver/Warden	10	Nil	7.8k-21k

Form available at office hour : 10:00 am to 3.00 pm (Monday, Wednesday, Friday & Saturday Open)
7629835413 / 9612445120
First come First serve
HL-P/9363/22
Sd/- MD
Social Security Guard (SSG)
Uripok, Imphal

YAISNA BAKERY CANCHIPUR
Post Name : Baker Chef
No. of Post : 2
Salary : 12 k to 25 k
- Experience only.
- Opportunity for immediate joining for selected candidates.

8729928648
8794682740
HL-P/9347/20, 22,24

/ শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূন্নমক্কী ইরক্তা লৈমিন্নরম্বা **শ্রীনিংঙোম্বম মঁঙ্গিজাও (অমরজিৎ) সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, ঙাই-শেন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূন্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১২/০৩/২০২১ ইং, ফাইরেনগী ২৯নি পানবা ইরাই নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী শ্রীশ্রী চৈতৈন্যা দাশ হায়না নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১৭/০৩/২০২১ ইং, লমতাগী ৪নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৪/০৩/২০২১ ইং, লমতাগী ১০ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রাদ্ধ থৌরম পাঙথোকচগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং খ্বাই খিবীক্না মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবণ তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি।

পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং :-
অয়ূক পুং ৮:০০ ভেৎ কৎপা
অয়ূক পুং৮.৩০ সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা

সেবা ফংজরিবশিং :-
নিংঙোম্বম জাতিশ্বর (অঙ্গোজাও) সিংহ (মপা)
নিংঙোম্বম ওংবী ইবেম্মা (রঞ্জিতা) দেবী (সহধর্ম্মীনি)
বাসিখোং মমাং লৈকায়।
HL-P/9362/22

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN ....
RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
⟹ QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
⟹ TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM
TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.
SPECIAL REVISION COURSE FOR 40 DAYS
FOR QUARY : 9862992105
CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 25th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) — 25th MARCH
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 22ND MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22ND MARCH
★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX- ACIAN STUDENTS.
★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021 ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION OF CLASS 6 TO 9
★ SEATS ARE LIMITED FIRST COME FIRST SERVE LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/6807/23/2-25/3

/ অথুবগী ওইনা CHOWKIDAR অমদি HELPER পামজৈ

চহী ২৫-৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা, নিশা চাদবা, মবুকচেল শেংবা মশা নান্‌বা, Two Wheeler থৌবা হৈবা মীওই ২ অথুবগী ওইনা পামজৈ। লৈফমগী খূদোংচাবা পীজগনি। * Salary Negotiable ওইগনি।

Please Contact,
Govindajee Gold Mortgage
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, # 91-7085917479
HL-B/6866/21,22

/ JOB FOR FRESHERS

ISO 9001:2015 Certified organisation amagidamak Imphal amasung Manipur gi major District singidamak oigadaba official Post 67 athubagi oina thabak koujari, Thabak asigidamak Class X, XII, Graduation pass toukhraba amadi tamliba student faobanasu apply toubiba yagani.

Age Limit : Below 35 yrs.
Income : Rs. 10,000/- to 37,000/- (P.M)
Facility : Fooding + Lodging Available
Visiting Hour : 12 noon to 3 pm.

NO DEPOSIT SYSTEM

Apply toubiningbasingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana athuba matamda tanabiu.
Contact : 9774986962, 8837369704
HL-P/9311/16,18,22

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate (Rs)	No. Of Bricks	Amount (Rs.)	Transp. & Labour Charge (Concessional Rate)	Total (Rs.)
1st Class	16.00	3,000	48,000	1,500	49,500
		2,000	32,000	1,000	33,000
		1,500	24,000	750	24,750
2nd Class	15.00	3,000	45,000	1,500	46,500
		2,000	30,000	1,000	31,000
		1,500	22,500	750	23,250
1st Reject	14.50	3,000	43,500	1,500	45,000
		2,000	29,000	1,000	30,000
		1,500	21,750	750	22,500
Jhamat	14.00	3,000	42,000	1,500	43,500
		2,000	28,000	1,000	29,000
		1,500	21,000	750	21,750
P.T.	13.50	3,000	40,500	1,500	42,000
		2,000	27,000	1,000	28,000
		1,500	20,250	750	21,000
2nd Reject	12.00	3,000	36,000	1,500	37,500
		2,000	24,000	1,000	25,000
		1,500	18,000	750	18,750
3rd Class	10.00	3,000	30,000	Free	30,000
		2,000	20,000	Free	20,000
		1,500	15,000	Free	15,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			6,500	750	7,250

Contact Hour:
Mon to Sat : 6.00 am to 6.00 pm Sunday : Phone and Transportation OFF

Please Contact :
1. 7005134130
2. 7005513073
HL-P/9348/20/3-6/4